ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO®
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ককচিং এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিগী মনুং চল্লিবা সোরা হায় স্কুলগী কেম্পসতা কোভিদ-১৯গী মাস টেষ্টিং পাঙথোকখিবা

কোভিদনা নারবা মীশিংগী মিং মীয়ামদা ফোঙদোকপা চুম্বরা

☛ লামায় ২

সেসন্স জজ এ গুনেশ্বরনা লেকচর পীদুনা কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

☛ লামায় ৩

লায়রবা য়ুম ৯০দা মতেং পাংখ্রে

☛ লামায় ৬

নাগালেন্দদা জুন ১৮ ফাওবা লোকদাউন শাংদোকহনখ্রে

☛ লামায় ৭

পাৎশোই এ সীগী লাংজিং অচৌবগী ইমুং ১২৫০দা আর কে ফোর্চুন দিভেলপমেন্ট পেদ লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর আর কে রামেশ্বরনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 076 | ইরাই, ইঙাগী নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, June 11, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

চীফ মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী সেক্তা অৱাং লৈকায়দা জন্যুৱারী ১, ১৯৭৯দা পোকখিবা শক্লাইরবা বোক্সর ঙাঙোম দিঙ্কোনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মহাক মশাগী চহী ১০ শুরকপা কুমজা ১৯৮৯দা অহানবা নেসনল গোল্ড মেদল ফংখিবা শান্নরোয়নি হায়বগা লোয়ননা মহাক্লা পুরক্লম্বা মিংচৎশিংবু শীংথারক্লি। লোয়ননা মহাক্কী ইমুংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা মহাক্কী *...মখা লামায় ৩ কলম ৩*

অরাম্বম সমরেন্দ্র নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): অসামগী হোজাইদা লৈবা অইবা লূপ, অসামনা ঙসি লময়ানবা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী ২১শুবা নীংশিং থৌরম হোজাই পরিষদ শঙলেন্দা পাঙথোক্তুনা লময়ানবা অসিগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নখ্রে। তুংদা সাহিত্যকার, নাটক্যার অসিগী মরমদা খন্ন-নৈনবা থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

ভাইরেল ভিদিওগী রিপোর্ট কৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুংথিল জেনিমসকী কোভিদ-৩ ৱার্দতা মথৌ তৌরিবা ষ্টাফ নর্স অমবু মেনহেন্দলিং তৌবগী ভিদিও ফুটেজ অপলোদ তৌরক্তুনা ভাইরেল ওইরকখিবগী মতাংদা ইনষ্টিট্যুট অসিগী মরী লৈনবশিংদা থিজিল্লগা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা দিরেক্টর প্রোফেসর টি ঐচ ভিমোনা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

কোর্টনা মীওই ১ জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৭কী নুমীদাংৱাইরমদা তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা খোঙনা চৎলম্বা মীওই অমা থোম্বদা লৈখিদবা থৌদোক্তা চেন্নবা গাড়ী অদুবু থৌরকখিবনি হায়বা পোরোম্পাৎ থৱাম্থাবা লৈকায়দগী লৈতাম্থেম উপেন্দ্রো (৪৩) সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা ঙসি জেলদা থাজিনখ্রে।

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩১.১৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.০৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.৫৪
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: Covid-19 gi second wave mayoknaringeida JNIMS ki Doctorsingna resign tounarakpagi maram leingakna thidokfam thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Leingakna Post Covid Complication mayoknaba meeoisinggidamak akhannaba thourang loukhatfam thoktabara ?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- করি লৈরে মহাশোয় ময়াম?



- ওজানা হন্দক ইবীবা লীলাদু ঙাওশিন্নজবা ঐখোয়দা খরা শোকই খবরদা শেংদোকউ।

ৱেষ্ট মখল অসি মতৌ করম্না মাঙহল্লিবগে হায়বা নীংথিনা য়েংশিনবগী মমি তাদ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা হৌখিবা মে থাদা নোংমদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা বাইও-মেদিকেল ৱেষ্ট টন ০.১৩ রোম পুথোক্লি হায়না সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী রিপোর্ট অমনা পল্লি। অদুবু হায়রিবা ৱেষ্ট মখল অসি মতৌ করম্না মাঙহল্লিবগে হায়বা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা নীংথিনা য়েংশিনবগী মমিদি তাদে।

বাইও-মেদিকেল ৱেষ্ট অসি গ্লোবেল পব্লিক ইনভাইরনমেন্টেল হেল্থতা অচৌবা থ্রেট অমা ওইরিবনি। সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী রিপোর্টমতুংইন্না লৈবাক অসিগী ওইনা মে থাদা নোংমদা বাইও-মেদিকেল ৱেষ্ট টন ২০৩ রোম পুথোক্লি হায়না পানরি। কুমজা ২০২০দা কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভ লাকখিবা মতমদদি নোংমদা কোভিদ-১৯গী বাইও-মেদিকেল ৱেষ্ট অসি চাংচৎতা টন ১৮০দগীনা টন ২২০ ফাওবগী চাংদা পুথোকখিবনি। মণিপুরগী ওইনা কুমজা ২০২০গী সেপ্টেম্বর থাদা কোভিদ-১৯ বাইও-মেদিকেল ৱেষ্ট অসি নোংমদা টন ৫.১৩গী চাংদা পুথোকখি। ওক্টোবর থাদনা নোংমদা টন ৫.৩০, নবেম্বর থাদনা নোংমদা টন ৫.১৩ অমসুং দিসেম্বর থাদনা নোংমদা টন ৯.২৭কী চাংদা পুথোকখি।

কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভকী মতমদা মণিপুরগী ওইনা নোংমদা কোভিদ-১৯ বাইও-মেদিকেল ৱেষ্ট পুথোকপগী চাং অসিগা হৌজিক অনীশুবা ৱেভনা পীরকপা মতম অসিগা য়েংনরুবদা ৱেষ্ট মখল অসি পুথোকপগী চাং হন্দক্লা নেম্মী। অদুবু অনাবা মশীংদি অহানবা ৱেভতগী অনীশুবা ৱেভনা হেল্লি। কোভিদ-১৯ বাইও-মেদিকেল ৱেষ্ট পুথোক্লিবা মফমশিং অসি মরু ওইনা অনা লায়েংশঙশিং, কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং, কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং অমদি য়ুমদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবশিংনা অয়াম্বনি। য়ুমদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা মীওই কয়া অতোপ্পা লায়না লাইওংগী অনাবা লৈবনা তঙাইফদনা মথৌ তাবা হীদাক লাংথক কাপ্পা য়াওনা লায়েং পথাপ কয়া চথরিবনি। মরম অসিনা হায়রিবা কোভিদ-১৯ বাইও-মেদিকেল ৱেষ্টশিং অসি নীংথিনা মাঙহনফম থোকপনি। অদুমকপু ষ্টেট অসিদদি হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবশিংনা পুথোক্লিবা কোভিদ-১৯ বাইও-মেদিকেল ৱেষ্টশিং অসি মতৌ করম্না মাঙহল্লিবগে হায়বা ওফিসল অমত্তনা য়েংশিনবা থেংনদে। সোলিদ ৱেষ্ট খোমগৎপা লাকপা শিন্নমীশিংনসু কোভিদকী অনাবা লৈবা ইমুংশিংদগী পুথোরকপা পোৎলমশিং লৌথোক্তবনা হায়রিবা বাইও-মেদিকেল ৱেষ্টশিং অদু মতৌ করম্না মাঙহল্লিবগে হায়বসি হংনীংঙাই ওইরি।

সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মায়কৈদগীসু ষ্টেটশিংগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা কোভিদ-১৯ বাইও-মেদিকেল ৱেষ্ট মাঙহনবগী মতৌ অসি নিংথিনা য়েংশিননবা খঙহল্লবসু মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী ওফিসলশিংনা হকথেংননা য়েংশিনবগী মমিদি তাদে। হৌজিক ষ্টেট অসিদা কম্মন বাইও-মেদিকেল ৱেষ্ট ত্রিটমেন্ট ফেসিলিটি অমখক শিজ *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব এগজামগী মতাংদা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন-এস, হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন অমদি এস সী ঈ আর টিগী কম্মিস্নার এম হরেকৃষ্ণদা মহৈরোয় লূপ ৬কী মীহুৎশিংগা উনদুনা ৱাফম কয়া খন্নখিবদা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজামিনেসনশিং কেন্সেল তৌগদ্রা নৎত্রগা পাঙথোক্কদ্রা হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা লৈরিবা চমন্নবশিং কোক্লবা অথুবা মতমদা ওর্দর অমা থোক্লনবা তকশিনখ্রে। মহৈরোয় মীহুৎশিং অদু এমসু, দেসাম, সুক, এম এস এফ, কে এস এ অমদি এইমসকী *...মখা লামায় ৩ কলম ৫*

সী এমনা ওক্সিজেন টেঙ্ক থম্ফম অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগৎপগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পোরোম্পাৎতা ২০ কে এল লিক্যুইদ মেদিকেল ওক্সিজেন ক্রাইওজেনিক ষ্টোরেজ টেঙ্ক অমা থম্নবগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ক্যামগৈ ময়াই লৈকায়দা হাংদোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগৎপগী থবক থৌরমশিং হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

পোরোম্পাৎতা ইন্সটোল তৌগদৌরিবা ওক্সিজেন ক্রাইওজেনিক ষ্টোরেজ টেঙ্ক অদুগী ফীভম য়েংশিল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা ষ্টোরেজ টেঙ্ক অদু থম্নবগীদমক পায়খৎলক্লিবা কন্সত্রক্সন ৱার্ক অদুগী থবকশিং য়াংশিনহন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা থমগদৌরিবা ওক্সিজেন ক্রাইওজেনিক ষ্টোরেজ টেঙ্ক অদুনুমীৎ নীনিগী মনুংদা য়ৌরক্লগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মফম অদুদা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

শক্লাইরবা এসিয়ন বোক্সর পদ্মশ্রী এৱার্দী ঙাঙোম দিঙ্কো লৈখিদ্রে

মহাক্লা মঙজরম্বা মঙলান মঙফাওনহনবীরগদি মহাক্কী থৱায়না শোয়দনা পেনগনি : লোয়নবী

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরবু লৈবাক অসিখক্তদা নত্তনা মালেমগী মীয়ামদা মশক তাক্লম্বা বোক্সিংগী এসিয়ন গোল্ড মেদালিষ্ট (এসিয়ন চেম্পিয়ন) ঙাঙোম দিঙ্কো (৪২) ঙরাং নুমীদাং অমসুং ঙসি অয়ুক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তারকপদা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেক্তা অৱাং লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে। শক্লাইরবা বোক্সর অসিনা লৈখিদবদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু য়াওনা মীওই কয়ানা লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

ঙাঙোম দিঙ্কো ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী পুৱারীদা লেংদনা লৈহৌরগদবা শক্লাইরবা বোক্সর অমনি। কুমজা ১৯৯৭দা বেঙ্কোককী কিংস কপ অমদি ১৯৯৮দা বেঙ্কোকতা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা সনাগী মেদল লৌদুনা এসিয়ন চেম্পিয়ন ওইখি। ইন্দিয়াগী বোক্সিং মশান্নবু অমুক হন্না থৱায় হাপখিবা মহাক্কী থৌদাং অদুবু শকখঙবিরদুনা এসিয়ন চেম্পিয়ন ওইখিবা চহী অদুমক্তদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মহাকপু আর্জুন এৱার্দ খুৎশিন্নখি। মদুগী মতুংদা কুমজা ২০১৩দা লৈবাক অসিগী মরিশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ পদ্মশ্রি এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা মহাক্লা মণিপুরগী মায় পুরকপগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা খুমন লম্পাক ষ্টেদিয়মগী মনাক্তা লৈরিবা লম্বীবু দিঙ্কো রোদ হায়নসু মিংথোনখি।

ঙাঙোম দিঙ্কো সেক্তা অৱাং লৈকায়দা লৈবা ঙাঙোম ইবোতোন অমদি ঙাঙোম ওংবি অঙৌবিগী মচানি। মহাক্কী মচিন-মনাউ নিপালনি। লোয়নবীগী মীংনা ঙাঙোম ওংবি ববাই কৌই। মহাক্কী মচানুপা অমা অমদি মচানুপী অমা লৈরে। কুমজা ১৯৭৯দা পোকখিবা ঙাঙোম দিঙ্কো ইমুংগী লৈত-লায়রবনা মরম ওইদুনা অমদি অপোকপসু ঙন্না লৈখিদবা লোয়ননা মচিন-মনাও য়াম্বনা মরম ওইদুনা ইমুং-মনুংদা চাবা থকপা ফাওবা মনিং থুংলকখিদে। মহাক্তবু লাইরিক লাইশু তম্বা, চাবা থকপা ফংজরবদি অমদি মী ওইবা ঙমজখিনবা হায়দুনা ইমুং-মনুংনা মহাকপু অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ইম্ফালদা লৈবা ওর্ফান হোম অমদা থমখি। হোষ্টেলদা লৈনা-লৈনা ইনখৎলকপা মতমদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চৎথবা স্পেসিএল এরিয়া গেম্স স্কিমগী মনুংচন্না মেজর ও পি ভাটিয়াদা ট্রেন তৌরিঙৈ মতমদা মঙোন্দা লোৎতুনা লৈরম্বা বোক্সিংগী টেলেন্টশিং অদু ময়েক শেংনা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি

“দিঙ্কো শান্নবগী লমদা সুপরষ্টার অমনি। শক্লাইরবা বোক্সিং শান্নরোই অমা ওইনা টাইটল কয়াসু লৌখি। মহাক বোক্সিং মশান্নবু পোপুলরিটি লৈহন্নবগীদমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোই অমনি। মহাক্লা লৈখিদবসি য়াম্না নুংঙাইতে। মহাক্কী ইমুং-মনুং, ফোলোৱরশিং অমদি মহাকপু নুংশিজবশিংগীদমক্তসু অৱাবা ফোঙদোকচরি”

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু

“দিঙ্কোনা লৈখিদবা অসি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই। ইন্দিয়াগী ঙসি ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী অফবা বোক্সিং শান্নরোইশিংগী মনুংদা অমনি। ১৯৯৮দা বেঙ্কোকতা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেম্সতা ফংখিবা গোল্ড মেদলনা ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী চেন রিএক্সন অমা থোকহনখিবনি। মহাক্কী ইমুং-মনুংগীদমক্তসু অৱাবা ফোঙদোকচরি”

ধর্ম্মসলাদা নুংতিগী হাংলিবা হোটেল অমদি বেক্করি কর্ফিয়ুগী অথিংবনা কোনশিন্দব্রা

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী শাথিরবা সেকেন্দ ৱেভনা পীরিবা চৈথেং অসিবু ঙাকথোক্তুনা মমল য়াম্লবা মণিপুর মীয়ামগী পুন্সি কন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা কোভিদ প্রোটোকোলশিং লাউথোক্তুনা চৎনহনবগী মথক্তা কর্ফিয়ুগী অথিংবা ফাওবা থমজিল্লিঙৈগী চৈরক্তা ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা থাঙ্গাল কৈথেলগী ধর্ম্মসলাদা নুমীৎ খূদিংগী হোটেল অমসুং বেক্করি হাঙদুনা লৈরিবসি চৎনহল্লিবা কর্ফিয়ুগী অকনবা অথিংবনা কোনশিন্দব্রা হায়না হংনরক্লে।

মফম অসিগী মীয়াম অমসুং থাঙ্গাল কৈথেল অমদি ধর্ম্মসলাবু তঙাইফদবা থবকশিংগীদমক ফাওদুনা চৎলিবা মীয়ামগী মায়কৈদগী ৱাহং অসি হংনরকপদগী পাউচে অসিনা হায়রিবা মফমশিং অদুদা চৎতুনা হাঙদুনা লৈরম্বা হোটেল অমদা ফাওবা চঙদুনা হংখি। মদুদা হোটেল অদুগী নন-লোকল সেল্সমেন নহা অমনা মখোয়গী হোটেল অসি নুমীৎ খূদিংগী অয়ুক্তগী হৌরদুনা নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা হাঙই হায়রকখি। অদুম ওইনমক পাউচে অসিনা হোটেল অদুদা চঙশিন্দুনা ৱারী শানরিঙৈদা নুংথিল পুং ২ হেন্দোরক্লবা ফাওবদসু হোটেল অদুগী থোঙ লোলহৌখিদে। অদুম ওইনমক হোটেল অদুদা য়োল্লিবা অচা-অথকশিং হোটেল অদুগী মনুংদা চঙহন্দুনা চাবা থকপদি তৌহন্দ্রে হায়বগা লোয়ননা মনুংদা থারম্বা টেবল অমদি চৌক্রিনচিংবশিং পুল্লপ-পুল্লপ লোনখৎনদুনা থম্বা থেংনরকখি। শুপ্নতগী হোটেল অদুদা য়োল্লিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু লৈবা লাকপা মীওইশিংদা তল্লগা পীখিবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

হোটেল অদুদা নত্তনা ধর্ম্মসলাগী এরিয়াদা লৈবা বেক্করি অমসু চপ মান্নবা মওং অসিদা থোঙ হাঙদুনা অচা-অথকশিং য়োল্লম্বা থেংনরকখি। অদুম ওইনমক হোটেল অমসুং বেক্করি অসিনা নুমীৎ খূদিংগী মহৌশাগুম্না থোঙ হাঙলকপদগী লাক্লিবা ৱাফমদি মখোয়বুদি কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসিনা কোনশিন্দব্রা নৎত্রগনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা চৎনহনগদবা লো *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

অপূনবা পোজিটিভ কেস ৫৮,০৮১ শুরে, মীওই ১০ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুংথিল থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ ওইবা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ৫৮,০৮১ শুরে হায়বগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ১০ লৈখিদ্রে হায়রি।

ঙসি ফাওবগী ওইনা লৈরিবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং অসিগী মনুংদা ৫৪,৩১৪না জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগীনি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৭৬৭নি হায়রি। অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওর্দিট কম্মিটিগী রিপোর্টমতুংইন্না মীওই ১০নি হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ৬, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ১, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী ২ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি। মীওইশিং অসি রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা ২, জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা ৪, ববিনাদা ১, শিজ হোস্পিটালদা ১, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১ লৈখিদবনি হায়রি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১০ অসি থারগা ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা মণিপুরগী অপূনবা মীওই ৯২৫ শুরে হায়রি।

লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৭৩০ থেংনখি। কেসশিং অসিগী মনুংদা ৩৬৯না নুপানি। অদুগা ৩৬১নি নুপীনি হায়রি। ঙসিগী ওইনা থেংনখিবা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু রিমসতা ৩৯, জেনিমসতা ৮, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৪৬৫ অমসুং অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস ২১৮ থেংনখিবনি হায়রি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ১৬০, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২২৫, থৌবাল ১০১, বিষ্ণুপুর ৪৮, ককচিং ৫৫, উখ্রুল ৫, চুড়াচান্দপুর ৮৭, চান্দেল ৩, সেনাপতি ১৩, তমেংলোং ১০, তেংনৌপল ১, কামজোং ১, ফেরজোল ১, জিরিবাম ১৩ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৭নি হায়রি। মখোয়গীদমক মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

লোয়ননা ঙসিগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬৬৮নি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা ৫০৫না হোম আইসোলেসনদগীনি। অদুগা রিমসতগী মীওই ২০ দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা লেমহৌরিবশিংনা জেনিমস অমসুং অতোপ্পা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদগী দিসচার্জ তৌখিবনি হায়রি। ঙসি দিসচার্জ তৌখিবা মীওই ৬৬৮ অসি থারগা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৪৭,৭৯৭ শুরে। *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

জুন ১৮ : পেন্দমিক্লা মরম ওইদুনা অথৌবশিংগী ইমুংগী মীওইশিং খক্তনা হৈকৎ-লৈকৎ তমগদৌরি

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): ঙসিদগী চহী ২০গী মমাঙ জুন ১৪, ২০০১দা এন এস সী এন-আই এম অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা ‘সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট’তা ‘ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট’ হায়বা ৱাহৈশিং হাপচিল্লকপগী মায়োক্তা খোয়শাউনরবা মীয়াম্না হৌনরুবা তৌদনা হৌরকখিবা মণিপুরগী শাগোন্নজরক্লিবা ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা হৌরকখিবা মীয়ামগী মায়োক্তা নোংমৈনা কাপ্পা য়াওনা মীয়াম অদুবু কন্ট্রোল তৌবগী মিংদা চথখিবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী অকনবা এক্সনশিং য়াওনা ঈহৌ অদুগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা জুন ১৮গী দি গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দেগী থৌরম কুমশি চহীগীদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভনা *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা অরানবা থৌওংনি হায়না লৌই : নুপী সমাজ

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী মহৈরোয়শিংগী অপূনবা লূপ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ময়াই লোয়শঙদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হনবা অরানবা থৌওংনি হায়না ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)গী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি পি সোবিতানা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মমা ওইবী খূদিংমক্লা এমসু হায়বসি লমদমসিগীদমক কথোক্তুনা লাক্লবা অমদি ঙসিসু লমদমসিবু কঞ্জনবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ইচম চমজরিবা মহৈরোয় ঙাক্তগী ওইবা লূপনি। খুৎলায়সু পায়জদবা, দেম্মোক্রেটিক ওইবা ঈহৌশিংগী খুত্থাংদা লৈবাক্কীদমক য়াইফনবা তৌজরিবা নৌরিবা মহৈরোয় লূপ অমদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হনবা হায়বসি লূপ অসিগী থৌ পুবশিং, চেন-চোংজরিবা মহৈরোয়শিংবু অতম্মনা হাৎনবা হোৎনবনি হায়না মমা ঐখোয়না লৌই হায়রি। ঐখোয়দি নোংমৈ পায়বনি, বোম পোকখায়হনবা ঙম্বনি হায়দুনা অসুক য়াম্না তমথীবা থবক চথবা হায়বসি এমসুবু মীয়ামগীদমক থবক থৌদা অমত্তা পাংবা য়ারোই হায়বা মচিন মেনবগী থৌওংনি হায়না লৌই। মসি তৌহৈদবা থবকনি। মমা ওইবী পুন্নমক্লা খাঙবা ঙমদে হায়রি।

এমসুনা মীয়ামগীদমক, লৈবাক্কীদমক পাংলিবা থৌদাংশিং অসিনা এমসুবু নুংশিনদবা অমদি মাঙহন্নিংবা মীওই কয়ামরুম লৈরমগনি। অদুগুম্লবা মীওই কাঙলুপশিংদুগী মায়োক্তা মীয়াম্না পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। হৌখিবা থা-চহীশিংদা এমসুনা ফাগৎখিবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং, মীওইবগী হক্কী মায়োক্তা লৈবশিংগী মথক্তা চথখিবা ঈহৌশিংদা এমসুনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবদু এমসুগী থৌ পুবশিং অমদি চোংজরিবা মীওইশিংখক্কী কান্ননবা নত্তে। মদু মীয়ামগী, লমদমসিগী *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫